

# সনালৈবাক স্পোর্টস





*লক্ষনৌগী ববু বনারসি দাস ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা সায়েদ মোদি ইন্টরনেস্নেল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টগী ক্বাটর ফাইনেল চঙখ্রবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী*

*চহী ২ টেন্নিস মশান্নদগী শান্নবা লেপ্পুরবা মতুং ইং ২০২০ গী জনুৱারিদা পাঙথোক্কদৌরিবা হোৱার্ট ইন্টরনেস্নেলদা শরুক য়াগদৌরিবা সনিয়া মিরজা*

## মণিপুরনা ইক্কুইপ অমদি ক্লাসিক্তা পুন্না মেডল ৯ লৌখ্রে



*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ* নিউ দেল্লীদা চৎলিবা থা অসিগী ২৪ দগী হৌদুনা ঙসি লোইশিনখিবা নেস্নেল ইক্যুব অমদি ক্লাসিক সব জুনিয়ার, জুনিয়ার, সেনিয়ার অমদি মাষ্টরগী মেন্স এন্দ ৱুমেন্স বেঞ্চপ্রেস চেম্পিয়ন্সিপ্তা মণিপুরগী শান্নরোইশিংনা গোল্ড মেডল ১, সিলভর মেডল ৫, ব্রোঞ্জ মেডল ২ পুন্না মেডল ৮ লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রবা শান্নরোই অদুদি সব জুনিয়ার গর্লসকী কে জি ৫২ কাঙলূপ্তা সনসম চাওবা দেবীনা কে জি ৬৫ থাংগৎতুনা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

সব জুনিয়ার বোইজকী কে জি ৬২ কাঙলূপ্তা তৌরাংবম সতিস মৈতৈনা কে জি ১২৫ থাং গৎতুনা সিলভর মেডল লৌখি শান্নরোই অসিনা ক্লাসিক লিফতা কে জি ১১০ থাংগৎতুনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি। মাষ্টর টু কাঙলূপ্তা কে জি ৮৪ মথক্তা হুইরেম ইবেমপিশক দেবীনা ক্লাসিক লিফতা কে জি ৩৫ থাং গৎতুনা সিলভর মেডল লৌখি।

সব জুনিয়ার গর্লসকী কে জি ৭২ কাঙলূপ্তা ইক্যুপ লিফতা ইলাংবম জেসিকা দেবীনা কেজি ৫০ থাংগৎতুনা সিলভর মেডল লৌবা ঙমখি। কে জি ৫৭ কাঙলূপ্তা কোন্থৌজম থোইবী দেবীনা সিলভর মেডল লৌখি। মাষ্ট টুগী কে জি ৮৪ কাঙলূপকী ইক্যুপ লিফতা কে জি ৩৫ থাং গৎতুনা হুইরেম ইবেমপিশক দেবীনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি। মাষ্টর ৱানগী কে জি ৭২ কাঙলূপকী ইক্যুপ লিফতা কে জি ৪০ থাংগৎতুনা কে ঐচ মারজনা দেবীনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা শরুক য়াখিবা ষ্টেট টিম অসিগী টিম ওফিসিয়েলশিং অদুদি নাওরেম সুসিলা দেবী অমদি কোন্সম রোসিদা দেবীনা ওইখি। পনবা য়াবদি ষ্টেট টিমদা নুপা লিফটর ৮, নুপী লিফটর ৫ অমদি ওফিসিয়েল ২ পুন্না মীওই ১৫ না শরুক য়াখি।

## মরুপ এফ সি হৈরোক্না ফার্ষ্ট দিষ্ট্রিক্ট লেভেল য়ু-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ৱিন্নর ট্রোফি লৌখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ* ষ্টার য়ুঠ দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন, খাঙবোক থৌবাল দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা মমাঙ থাগী তাং ১৬ তাগী হৌরগা খাঙবোক পব্লিক গ্রাউন্দদা (বাসু গ্রাউন্দ) দা শান্নরকখিবা ফার্ষ্ট দিষ্টিক্ট লেভেল অন্দর-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর ট্রোফি মরুপ এফ সি হৈরোক্না লৌখ্রে।



পুন্না টিম ৮ না গ্রুপ ২ থোক্লা শান্নরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবদা ফাইনেল মেটচতা মরুপ এফ সি হৈরোক অমদি ইবোইনু এফ সি হৈরোক অনীনা শান্নখি। মেটচ অদুদা মরুপ এফ সি হৈরোকনা ইমোইনু এফ সি হৈরোকপু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ট্রোফি অদু লৌখিবনি।

শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইজ প্রসিদেন্ট থোকচোম জদুমনি সিংহ, খাঙবোক্কী জিল্লা পরিষদ মেম্বর কে ঐচ রাজ মোহোন সিংহ, থৌবালগী এস সি ডা. এস ইবোমচা সিংহ- এম সি এস, ৱিসদম ফাউন্দেসন খাঙবোক্কী প্রিন্সিপাল এল সোবা সিংহ, সুরয়া ইনভেসমেন্ট সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদকী প্রোপাইটর এ সুরচন্দ্র সিংহ অমসুং সুরয়া ইনভেসমেন্ট সার্ভিস প্রাইভেট লিমিটেদকী এ আই সি টি ঐচ প্রবিন সিংহনা মথং শিংনা অথোইবা মিথুংলেন, থৌরম মপু অমদি অখন্নবা মিথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লোইশিল্লকপদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নর অমদি রন্নর তাখ্রবা টিম অমসুং বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট গোল কিপ্পর, মেন ওফ দ মেটচ অমদি বেষ্ট দিসিপ্লিন টিমশিংদা শেল অমদি ট্রোফিশিং মিথুংলেনশিংনা খূৎশিন্নখি।

## লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগীদমক শেম শাবা লোইরে : পেদ্রো মঞ্জিৎ

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ* লাক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান আই-লীগকী অনৌবা সিজন অসিগী মমাঙগী সিজনশিংদা উৎখিবা পরফোমেন্সতগী হেন্না ফজনা উৎতুনা টিম অসিনা অমুক্কা হন্ন টাইটল লৌবা ঙম্মনবা শেম শাবা লোইরে হায়না চেন্নাই সিটি এফ সিগী ফোরৱার্দ প্লেয়র পেদ্রো মঞ্জিৎনা নিউ দেল্লীদা পাঙথোখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখ্রে।

পাউগী মীফম অসিদা মহাক্না মখাতানা ফোঙদোকখিবদা, মহাক্না শান্নরিবা ক্লব অসিনা চহী অনী থংনা থংননা টাইটল লৌবা হায়বা অসি মহাক্কী পান্দমনি মরম অসিনা টাইটল অসি ফঙন্নবা অকনবা মওংদা হোৎনরি।

হৌখিবা চহীদা টাইটল লৌখ্রবসু খুদোং চাদবা অৱাবা কয়া মায়োক্নখি, অদুম ওইনমক হন্দক চহীগী ওইনদি লাইনা থেংনবা ঙম্মনবা অকনবা ট্রেনিং তৌরে।

লোয়ননা হৌখিবা সিজন অদু মহাক্কী কেরিয়রগী ওইনা খ্বাইদগী ফজখিবা সিজন ওইখি। মদুমক্না মহাক্না সিজন অদুদা গোল ২১ চন দুনা বেষ্ট স্কোরর তাবগা লোয়ননা মহাক্কী টিম চেন্নাই সিটি এফ সিনা সিজন অদুগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

হন্দক্কী চহী অসিগী সিজন অসিদসু টিম অসিগী অপুনবা পাঙল থৌনা পুথোক্তুনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়খি।

মশাগী চহী ৩১ শুরবা ষ্ট্রাইকর অসিনা মখা তানা, হায় হন্দক্কী সিজন অসিদা শরুক য়ারিবা টিম অসিগী প্লেয়রশিং অসি মমাঙগী সিজন অদুগা য়েংনবদদি য়াম্না খেৎনৈ হায়বা য়াই। হন্দক্কী চহী অসিদদি এক্সপিরেন্স লৈবা শান্নরোইগী মশীং খরা হন্থবগা লোয়ননা হেরো আই-লীগতা অহানবা ওইনা শরুক য়াবা শান্নরোইশিংসু য়াওরি। অদুবু টিম অসিনা অঙম্বা থাক্তা প্লে লেতনা হোৎনরি। সিজন অসি হৌদ্রিঙৈদা থা অহুম হেন্না প্রিসিজনগী মেটচশিং শান্নবগী তাঞ্জা ফঙখিবা অসিনা শান্নরোইশিংগী মরক্তা হেন্না কোওর্দিনেসন ফজনা লৈননা শান্নবা ঙম্লি হায়খি।

লোয়ননা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং অসি য়াম্না হোৎনবা কনবা শান্নবদা থৱায় য়াওবা অমদি পিথোচরকপা টেলেন্টশিং য়াম্না য়াওবা থেংনরি। মরম অসিনা মখোয়বু নীংথিনা লমজিং বিরবদি লমদম অসিগী হৌজিক লৈরিবা ফুটবোল মশানগী থাক অসি য়াম্না ৱাংনা পুখৎপা ঙমগনি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

In the Court of Sub-Deputy Collector
Porompat, Imphal East, Manipur
*Ref. :- Mutation Case No. 1828/SDC/P of 2019*

1. Laishram Modhubala Devi D/o (L) L. Takon Devi of Khurai Sajor Leikai

***- Petitioners***

***-Verses-***

1. (L) Laishram Takon Devi W/o L. Babudhon Singh of Khurai Sajor Leikai (Expired)
2. Laishram Sanatomba Singh S/o L. Babudhon Singh of Khurai Sajor Leikai (Expired)

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Porompat,The 28/11/2019*

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 15-Khurai Sajor Leikai গী Patta No. 353 (অরিবা) 314 (অনৌবা) C.S. Dag Nos. (Sheet-1) 620 an area 0.0774 acre of Ingkhol Class লম অসিগী Co-Pattadar No. 1 and 3 অসি মৃতু (Late) ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar No. 1 and 3 গী মহুত্তা লম অসি মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অহবা চেগা লোয়ননা লম অসিগী মরী লৈনবা মীওইশিংনা S.D.C. Porompat Court অসিদা Objection তৌবিরনবা খঙহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না Case মখা চত্থগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Porompat, Imphal East

*SL/B(L)(1)/29*

In the Court of Sub-Deputy Collector
Bashikhong, Imphal East
*Ref. :- Mutation Case No. 647/SDC/SW of 2019*

Thounaojam Bimola Leima W/o (L) Th. Kanta Meitei of Bashikhong Wangkhei Loumanbi

***- Petitioners***

***-Verses-***

Thounaojam Kanta Singh S/o Muhori Singh of Bashikhong Loumanbi Mapal

***- Opposite Party***

**NOTICE**

*Bashikhong, The 27th November 2019*

অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না ইঃ ইঃ তাহশিল খুল নংঃ 53-Wangkhei Loumanbi পাট্টা নংঃ 131/570 অনৌবা দাগ নং 59/712 & 61/713 মোট এরিয়া 0.1033+0.1117 একর চাওবা Ingkhol অসিগী পাট্টাদার Thounaojam Kanta Singh S/o Muhori Singh of Bashikhong Loumabi Mapal দা লৈবা অসি মৃঃ ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈবা ইংখোল অসি মথক্তা পনলিবা দরখাষ্টকারিশিং অসিনা সত্তা ওইনা ফঙজরে, অমসুং নমা ওন্থোকপিরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা (Objection) চে পীশিল্লবা য়াগনি, মতুং লাকপা অপতি (Objection) অমতা লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Bashikhong, Imphal East

**SL/B(L)(2)/29**

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES, KAKCHING

NOTICE FOR OBJECTION
Kakching, the 25th November, 2019

No. Pro/SR/Kak/2019: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from the **"Hiyanglam Farmers Club",** Heyanglam Hiranmei on 21/11/2019 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules 2004 within the area of operation of **Hiyanglam Village**

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Assn. for submitting/inviting objection if any in writing (Aadhaar of the complainant or Secretary with seal for orgn.) to the undersigned against the formation/ registration of proposed **"Hiyanglam Farmers Club"** within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objection if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed "Hiyanglam Farmers Club" Hiyanglam village, Kakching District may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1)(2) of SR Act 1989 and Rule 6 of MSR Rules 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above-mentioned period will not be considered/entertained.

Kh. Ishwori Devi
Deputy Registrar of Societies,
Kakching District.

SL/ 5556/29,30&1

## অসামগী মৈতে মচানা ম্যুএ থাই মশানদা গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেডল লৌরক্লে




*জিরিবাম, নবেম্বর ২৮ ঃ* য়ুনাইটেদ এমেট্যুর ম্যুএ থাই এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই এম এ আই) না শীন্দুনা নবেম্বরগী তাং ২০ দগী ২৪ ফাওবা মেঙ্গলোর কারনটাকদা শান্নখিবা ম্যুএ থাই মশান্নদা সেনিয়ার নেস্নেল অমেট্যুর ম্যুএ থাই চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা অসাম রিপ্রজেন্টে তৌদুনা পার্টিসিপেট তৌরুবা কঙলাশা মার্সিয়েল আর্টস একাদেমিগী শান্নরোই অহুমগী মনুংদা ২ না গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেডল লৌরকখ্রে।

ম্যুএ থাই চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা পার্টিসিপেট তৌরুবা শান্নরোইশিং দি এফ ইন্দ্রজিৎ সিংহ, কে প্রেমজিৎ সিংহ অমদি পি ঐচ নিরঞ্জন সিংহনি মখোয় অহুম্মক কঙলাশা আর্টস একাদেমিগী শান্নরোই ঙাক্তনি। নেস্নেল এমেট্যুর ম্যুএ থাই চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ অদুদা এফ ইন্দ্রিজিৎনা গোল অমদি কে প্রেমজিৎনা ব্রোঞ্জ মেডল ফঙলকখিবনি।

অসিগুম্বা অসাম ষ্টেট অসি রিপ্রজেন্ট তৌদুনা মায় পাকপা পুরকপগীদমক ওল কছার এমেট্যুর ম্যুএ থাই এসোসিয়েসন (এ সি এ এম টি এ) না কঙলাশা মার্সিয়েল অকর্টস একাদেমি অসিগী ট্রেনরবু থাগৎপা ফোঙদোকখি অমদি মখা তানা লাক্কদৌরিবা চহী কয়াদসু একাদেমি অসিদগী নেস্নেল অমদি ইন্টরনেস্নেলগী থাক্তা শান্নরোই কয়া পুথোক্তুনা মায় পাকপা পুরক্কনি হায়বগী চাউনা অশা থল্লি।

## মুম্বাইনা পঞ্জাবপু মায়থিবা পীখ্রে

*সুরাট, নবেম্বর ২৮ ঃ* বোর্দ ফোর কন্ট্রোল ওফ ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা চৎথরিবা সহিদ মুস্তাক অলি টি-২০ ট্রোফি ২০১৯-২০ গী ঙসি সুরত লালবাই কন্ট্রেক্টর ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা মুম্বাইনা পঞ্জাবপু রন ২২ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিগী অহানবা বেট্টিং তৌখিবা মুম্বাইনা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৩ তুরগা রন ১৪৩ লৌখি। মসিগী পাউখুমদা পঞ্জাবনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২২১ খক লৌদুনা মেটচ অসি রন ২২ দা মায়থিবা নঙখি।

মুম্বাইগী বেট্টিংদা শ্রীয়াস ইয়ার নোট আওটতা রন ৮০ না খ্বাইদগী রন য়াম্না লৌবা বেটচমেন ওইখি। অদুগা পঞ্জাবকী বেট্টিং সুপ মেন গিলগী রন ৭৮ না খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা বেটচ মেন ওইখি।

## নেস্নেল জম রোপ চেম্পিয়ন্সিপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

*ইম্ফাল, নবেম্বর ২৮ (এস এন এস)ঃ* জম্প রোপ ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুরনা য়ুম্থু ওইদুনা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর ২৭ তগী ৩০ ফাওবা ইম্ফালদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৬ শুবা জুনিয়র নেস্নেল জম্প রোপ চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ান্নবগীদমক নুপীমচা শান্নরোই ৩৬ অমসুং নুপামচা শান্নরোই ৫৭ গী মিং স্পোন্সটেন্স এসোসিয়েসন ওফ জম্প রোপ মণিপুরনা লাওথোক্লে।

খনগৎল্লবা শান্নরোই দিসেম্বর ২ ফাওবগী মনুংদা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরীদা রেজিষ্ট্রেসন ফোম পীশিলক্কদবনি হায়রি।

খনগৎখ্রবা শান্নরোইশিং অদুদি এস বিবি, অলভিনাস, সাবরিয়া, এলফিয়ার, খুসিদা, মসুদা, হনিফা, এস কবিতা, এস অবেসনা, এস মঙাললৈমা, দব্লিউ জিতিকা, টি ঐচ অঞ্জলিনা, ও থোইবীসনা, টি ঐচ রিসিতা, সুমৈয়া, এম কে অতিয়া, অপ্তিসা, রুহনা অমদি অজিমা রেহমননি।

চহী ১৮ মখা নুপীমচাগীদা তরিসমা, গুলসনা, বরিস, মোমিনা, হেনা, রেসৱনা, অজিমদা, সাদিয়া, সোনিয়া, রজিনা, নজিয়া, গুনেশা, সবরিয়া, রনি, তস্ফসনা, রুকৈয়া, নজরানি।

চহী ১৬ মখা নুপামচাগীদা অরিস খান, এম দি মুদসির, অজমির, সাফিয়া খান, অনাস সহিল অজাদ, অসিফ, জয়েদ খান, অব্বাস খান, জহির খান, অলমাস খান, ইলিয়াস খান, লেটমিনশেম, লমদিংলিয়ান গাঙটে, অসিফ, সহিল, প্রেমজিৎ, এম দি রিবাজ খান, রেহন খান, এন প্রিথিভিরাজ, টি ঐচ তাইবংঙানবা, ই সন্তোস, এ ইন্দ্ররাজ, ই প্রবিন, ই রিকি মারটিন, জেলিন ওইনাম, ই প্রেমজিৎ, এন রাজ কিশ্বর, ও কেনিও, টি ঐচ নিবাস, অনিস খান, এম দি য়ুনুস, মন্সুর অহমদ, টি এম সুফিয়ান সহানি।

চহী ২৮ মখা নুপামচাগীদা এম দি সহাজহান, এম সমির খান, এম দি সলমান খান, য়াহয়া খান, রেজৱান, কমরন খান, অব্বাস অলি, সহা অলম, এম দি জহিদ খান, অমিৎ, জহিদ, ঐচ বিকাশ মৈতে, ঐচ রাকেস সিংহ, ৱাহিদুর, মুসতোফা, সুসারাফ, ঙানবা, জহির খান, অসিক্যুই ইলাহি, নৱাজ, সাইফুদ্দিন, ৱালি অহামদ, ৱাজির অহামদ, এম কে এম পারৱেজ অহমদনি। ষ্টেটকী টিম অসি অসিমা বেগমনা টিম কোচ অদুগা এম ডি ফিরোজ খাননা এষ্টিটেন্ট কোচ অমসুং এম দি ইবোথেমনা টিম মেনেজর অদুগা এম ডি উমিৎ অলম অমসুং ৱাহিদুর রহমননা এষ্টিটেন্ট মেনেজর ওইনা লুচিঙগনি।

URGENTLY WANTED

**IMPHAL DIAGNOSTIC CENTRE**
**PALACE COMPOUND, IMPHAL EAST, MANIPUR-795001**
**Regd. No. MN04E0008451**

| Name of Post | Qlfn. | Post | Experience | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. Hospital Adm. Off. | B.H.A. | 1 | At least 1 yr. | 12000-20000 |
| 2. Medical Transcriptionist | Relevant Cert. | 3 | Required | 7000-14000 |
| 3. Rediology | Relevant Cert. | 3 | 2yrs .exp. | Negotiable |
| 4. Lab. Tech. | Relevant Cert. | 10 | 3yrs. exp. | Negotiable |
| 5. A.N.M. | Relevant Cert. | 10 | Required | 8000-15000 |
| 6. G.N.M. | Relevant Cert. | 30 | Required | 10000-18000 |
| 7. Male Nurse | Relevant Cert. | 10 | | 10000-18000 |
| 8. Marketing (Medical Representative) | Graduation | 2 | 3yrs. exp. | 10000-18000 |
| 9. Receptionist | XIIth Passed | 2 | | 6000-12000 |
| 10. Sweeper | VIIIth Passed | 2 | | Negotiable |
| 11.Peon/ Helper | VIIIth Passed | 4 | | Negotiable |
| 12.Runner | VIIIth Passed | 4 | | Negotiable |

**Date of Interview : 1st & 2nd Dec. 2019 at 10 a.m. to 4.00 p.m.**
**Last date of form submission is 30th November, 2019**
**Forms will be available at the Office at Office hour**
**For details, please contact @ 6909651574 / 7085559891**

*SL/5551/28-30 Nov.2019*

ক্রোসৱার্দ ৩৫২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| D | I | S | C | | S | M | O | C | K | S | | P | O | W |
| R | O | A | R | | P | A | R | I | A | H | | I | D | O |
| I | T | S | O | N | E | O | F | T | H | E | | R | O | N |
| P | A | S | S | E | D | | F | E | N | | D | A | R | K |
| | | | S | W | U | M | | | | O | U | T | | |
| | F | E | W | S | P | O | R | T | S | W | H | E | R | E |
| A | L | L | A | Y | | N | O | I | S | E | | S | A | X |
| B | U | O | Y | | A | D | U | L | T | | C | H | I | P |
| E | S | P | | A | D | A | G | E | | R | H | I | N | O |
| T | H | E | P | L | A | Y | E | R | K | E | E | P | S | |
| | | M | E | L | | | | S | E | E | M | | | |
| F | L | E | A | | F | A | T | | E | D | I | S | O | N |
| I | A | N | | H | I | S | O | W | N | S | C | O | R | E |
| J | U | T | | A | N | I | M | A | L | | A | L | E | X |
| I | D | S | | M | I | S | E | R | Y | | L | O | O | T |